হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ফেব্রুৱারী ০৩, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৩০১শুবা মশীং

# ইকায়বনা শিরে

## মখা তানা শুংতৌ তৌরক্কনু

লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা লৈঙাক্লোন (গভর্নেন্স) হায়বসিগী য়াংলেন শরূশিং ওইরিবসি লেজিসলেচর, জুদিসিয়ারি অমসুং এগজিক্যুটিভনি। মরু ওইবা শরুক অহুমসিনা ফুঙ্গা নুঙদুম অহুম শাদুনা য়ূম্ফম ওইরগা মালেমগী লৈঙাক্লোনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অফবা লৈঙাক্লোননি হায়রিবা ‘দেমোক্রেসি’ অসি ওইহল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক লৈঙাক্লক্লিবনি। অদুগা হায়রিবা সিষ্টম অসিমকসু য়ুনিয়ন নৎত্রগা সেন্ত্রেল লৈঙাক খক্তগী ওইবা ৱাফমসু নত্তে। লৈরিবা লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূন্নমক্কীনি। মরম অসিনা মসিবু ঙাক্লা চৎলিবা, চৎখিগদবশিংগী মনুংদা মণিপুরসু য়াওরিবনি। অদুবু মণিপুরগীদি ষ্টেটসিগী এগজিক্যুটিভশিং লোইনমক্কী ওইবা ৱাফম নৎত্রবসু মখোয়গী মরক্তগী খরনা এগজিক্যুট তৌরকপা থবক-থৌরম খরদা মখোয় মশাদা শিন্নবদগী পায়রিবা/পুরিবা ‘গুদ ওফিস’ শিং হেক-হেক লান্না শীজিন্নরকপা য়াওই। মসিদগী অদুগুম্বা নম্ফু-হাফুগী থবক তৌশিনবা এগজিক্যুটিভশিং অদুগী মায়োক্তা লেজিসলেচর অমসুং জুদিসিয়ারিদা ৱাকৎলকপা য়াওই। ৱায়েল চথবিয়ু হায়জরকপা য়াওই। ৱাকৎ লানখৎলক্লবনিনা ৱায়েল চথরক্তুনা অচুম্বা জজমেন্ট অমসুং দিরেক্সন পীরকই। মরী লৈনবা অমসুং মকোক থোংবা এগজিক্যুটিভশিংনা অসিগুম্বা রুল/লোগী ৱাংমদা লৈবা মথোং-মরম খঙদবনি লৌবা য়ারবা থবকশিং তৌশিল্লকপদগী ৱাকৎনরকপদা ৱাকৎলক্লিবা মীওইদু য়াওনা এগজিক্যুটিভকা জুদিসিয়ারি অমসুং লেজিসলেচরগগী মরক্তদি অফবা মরী লৈনরকপা ঙস্ত্রা? ৱাকৎলক্লিবদু লান্না তৌরুবদগীনি। ককথৎলু অমসুং শেমদোকউ হায়রক্লবনিনা জজমেন্ট অমদি দিরেক্সনদুগী মতুংইন্না তৌরগে হায়না পোজিটিভ ওইনদি খন্দুনা অচুম্বা/অশেংবা তৌবদি ঙল্লব্রা? ৱাহংসি এগজিক্যুটিভশিংনা শেরান-তুরান তৌশিনবদগী থোরক্লিবা নৎত্রা? অদুগা লৈঙাক্কী থৌমী পূন্নমক্না লৈঙাক্লোনসি মরু ওইবা শরুক অহুমসিদা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎতুনা চলাইরিবনি হায়বসি লোইনা খঙদ্রবসু মকোক থোংবা ওর্দর থোকপা ঙম্বা অমসুং পোলিসি-প্রোগ্রাম শেম্বা ঙম্বগী পাৱর পীরিবা এগজিক্যুটিভশিং ফাওবদি লোইনা খঙফম থোকই। খঙনবগীসু তাকপী তম্বীরিবনি।

অদুবু খঙদবা মানবা নৎত্রগনা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা তৌরগে খনবা থবকশিং হেক্তমক খূৎচাও থাদুনা তৌশিনবগী থৌদোক্তি অদুম্মক লেপ্তনা থোকই। অদুগা অসিগুম্বা থৌদোকসি শুপ্নতগী অমা-অনী খক্তসু নত্তে। থোরক্লবনিনা লেজিসলেচর অমসুং জুদিসিয়ারিগী থোঙজিন্দা লেপ্লকপদগী অচুম-অরানগী খোঙ্গুল লিরকপা হেক হেক য়াওই। অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি তোয়না থোকপনিনা লোইনা কোৎথোক্লুবদা য়াম্মনগদবা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না থোকখিবা থৌদোক অনীখক্তং পনবা তারবদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী দিরেক্টর ইন চার্জ হাপ্লগা মণিপুর টেক্নিকল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু) গী ভাইস চাঞ্চেল্লর হাপচিল্লুবগী মতাংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীরকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরশিংদুনি। রিমসকীনা রেগ্যুলর দিরেক্টর অমা হাপত্রিঙৈদা মহুৎ শিনগদবা ইন-চার্জ দিরেক্টর হাপ্লদা প্রোফেসরশিংগী সিনিয়রিটি কান্থোক্লগা হাপচিল্লুই হায়বনি। অদুগা এম টি য়ুগীনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী লৈজরিবা রুলস/ষ্টেটস অমসুং য়ু জি সীগী গাইদলাইন/প্রোভিজনশিংগী ৱাংমদা ক্বালিফাই ওইদবা মীওই অমা ভি সী ওইনা হাপচিল্লুই হায়বনি। হৌজিক্তি করি শারে? রিমসকী ইন-চার্জ দিরেক্টর হাপচিল্লুবদুসু লৌথোক্লগা হাপফম থোকপনি হায়বা মীওই ওইনা হাপখ্রে। এম টি য়ুগীনা হায় কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না ফ্রেশ রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্কদৌরে। ইন্সটিট্যুট অনীমক্কী মরী লৈনবা এগজিক্যুটিভশিং পুনত্রে তুরে। অশেংবা লোগী লম্বীদা খুদি থিজিন্দুনা উপথুদুনা তুরে। মসিবু ইকায়বা করিমত্তা ফাওদবা জাৎলা? অরানবা তৌবদা চেন্নবা এগজিক্যুটিভশিংনা ইকায়দ্রবসু লৈবাক মীয়ামদি ইকায়বনা শিরে। শঙবাই ফম্বগা চপ মান্নরে। মতুংদা মখা তানা তৌরক্কনুকো।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১) **“নাউহোং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“য়ুখল”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **“মীতৈ লোনগৈদা লোনয়ান”** কৌবা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমনা খোমজিন্দুনা পুথোরকপনি। খোমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি কনানো?

৪) **“চীংয়াদা তময়াদা হৈকোলদা লৈকোলদা/ঈশিং চাইবীনা মরৈ হা-হা তম্বদা/লোক্লুংগী ঈফুৎ মচানা ত্রোং-ত্রোং লাউনা চেনবদা/শংবান্নবা অতিয়াদা উচেক্লা পাইবদা/অহিংদা চীংজাউনা তুমিন তুমিন্না লেপ্পদা/মেঙলবা মেরাগী থাবলদা/শুমহৎচরবসু মহৌশাগী ফজবদা/ইনিংলুদে শৈথাদুনা শৈরেং/অদুনা থি ঐনা অনৌ-অনৌবা মখল।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“হৈদি”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপা লাইরিকনো অমদি মসিগী ওরিজিনেল অইবদু মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা থল্লবা মীশক অদুগা মনা পীজগনি।

# হৌদোং ফাওবদা মশানা চাজনবা ঙা মশানা থিজরে

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক্কী মতমসি ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থবা মতম ওইরে। মালেমসিদা লৈরিবা লৌমী ফার্মর মখৈনা উরিবা লৌ, থারিবা এঞ্জাং-নাপি অমদি চুজাক-গেহুশিংসিনা মালেম পূম্বসিদা লৈরিবা মীয়ামসিগী পুকচাক থাকপা কোন্নখিগদৌরিব্রা? হীরমসিদা পীকখ্রবা ইরমদম মণিপুরসিগীদা ওইনা খন্নরবসু মণিপুরগী ওইবা অপূনবা মীশিংসিগী মনুংদা চাদা কয়ানা ফার্মরশিং ওইরিবগে? মশীং য়ামদ্রবা মণিপুরগী ফার্মর খরখকসিনা মণিপুরগী মীয়াম পূম্বসিগী পুকচাক থাকপা কোন্ননবা চেঙ পুথোকপা ঙমখিগদ্রা? ঙমখিগনি হায়বা থাজরক্তে। মসিগী খুদম হায়ববু মণিপুর পূম্বসি নোংম-নোংমগী সুপরফাইন চেঙ চাবনা অয়াম্বা ওইশিল্লক্লি। থায়না মমাঙঙৈ চেঙয়েন নৎত্রগা অয়েনচেঙ হায়বসি মশক খঙনদ্রিঙৈগী মতমদুগা হৌজিক্কী মতমসিগদি অসুক্কী মতিক খেন্নরে। মমাঙঙৈদদি কোটতা ফৌ ওইনা হাপ্নরম্মী। হৌজিক্লা ইমুংগী মীশিং পারগা থা অমগী ওইনা চেঙ কেজি কয়ানা কোন্নগদগে হায়বদু য়েংলগা সুপরফাইন চেঙ ওইনা ৱান্নরে। ৱাখল অমরোমদদি, মতমসিদা মী অমগী য়ূমদা চাক চরা অমত্তং চারুবা হায়বসি ফাওবদা তশেংনা হঙ্গোইবা পোক্লরবনি। ফীভমসিদা তাইবঙ মীগী য়ূমদা লৈফম থোকপনি নৎত্রগা মীনা লোয়দুনা য়োকপীফম থোকপনি হায়দুনসু হুই অমসুং হৌদোংনচিংবশিং লোয়নবা হায়বসিসু মুন্না খন্থরবদি থাগী চাদিংদা হেঙ্গৎলক্কদবা অমনি। কনাগুম্বনা হুই-হৌদোংশিংবু লুনা তৌবীদুনা য়োক্লে। অদুগা, কনাগুম্বনা মখোয়বু কান্নদবনি হায়দুনা লোয়বগী ৱাখলশিং থাদোক্লে। ফীভমসিদা মতমসিগী হুই-হৌদোংশিংসি মতা চাবা মফমদা তারুরগনা পংনুং-নুংঙাইজরবসু মতা চারুদবা মফমশিংদা থোক্লুরগদি মথন্তনা খঞ্জবদা চরাম-চদৎনরিবনি। মখোয়বু লোয়রিবা মপুশিংদুনা মখোয়দা পীজনীংদবদু উরগা ময়ূম থাদোক্তুনা ফাওবা চৎনখিবা হুই-হৌদোংশিং কয়ামরুমসু য়াওনরবনি।

হায়সু হায়বনি, হৌজিক্কী মতমদা হুই-হৌদোংশিংসি মীনা লোয়নৈ হায়দুনা লোয়রুরগা মপুনা নিংথি-নুংঙাইনা খনবীদবা, পীজ-পীথকসু ফজনা তৌবীদবা, হুই নৎত্রগা হৌদোংগী শরুক্তি লায়রদনা ঐখোয়গী ফাওবদা চানীংঙাই লৈরক্ত্রবা মতমসিদা হায়দুনা থৌওই-ৱাওই তৌবীদবদগী হুই-হৌদোং ময়াম অমা লমদন্দুনা চৎনরে। হৌদোং কয়া অমা হৌদোং লম্বোইবা ওন্দুনা লৈকায়গী অতা-অতুশিং থিদুনা চারগা ময়ূমদা হঞ্জিল্লকখিদবা য়াওনরি অমসুং হুই কয়ামরুমসু মপু পান্দনা কৈথেলদা নৎত্রগা লম্বী-লমজাওশিংদা কোয়চৎ-চৎতুনা মীনা লংথোক্লম্বশিং চাদুনা হিংনবা উরি। অসিগুম্বা লমগী হুই (ষ্ট্রে দোগ) শিং ওনখিবসু মশীং থিঙমদ্রবনি। অদুবু মণিপুরদদি ষ্ট্রে দোগশিং কয়া তোয়না উদে, মসিগী মরমদি হুইগী শদোং হায়বসিনা লমদমসিদা খ্বাইদগী হেন্না তাঙনবা অমসুং ফংবদা ৱাবা মিট মখল অমা ওইবননি। লমদমসিদা হুই অমত্তা ষ্ট্রে দোগ ওনবা নংদে। মখোয়বু তান্নদুনা হাত্তোক্লগা চাবীখিবনা হেক্তা হাল্লি। মতমসিগী অসিগুম্বা তাইবঙ মীওইবনা পীজনীংদবগী থৌদৌশিংসি উরুরগা ৱাখল খনবা ঙম্বা হৌদোংশিং নৎত্রগা মথ্বায় নুংঙাইতবদগী জাৎ-জাৎ খল্লকপা হৌদোং খরনা হৌজিক্কানদা ঙাগী মমলনা অসুক থীনা তাঙখ্রবসিদা তাইবঙ মীওইবনা ঐখোয়দা ঙা থাবীরকপা হৌনদ্রে, অসি য়ৌনা পীজনীংদ্রবসিদবু হায়দুনা পুখ্রিদা, পাৎতা, মফম চাবশিং য়েংদুনা ঙা লুম্বা চৎনরে। ফজৈ, অশিংবা হৌদোংশিংনা খল্লক্লিবা ৱাখলসিসু চুমগনি। হৌজিক্কানদা মুকা-ঙা অয়াইবগী মমলসিবু কেজিদা কয়া য়ৌরবগে? লৈবা ঙম্নরিব্রা? থায়নগী ঙামু লৈরৌ, ঙাক্রা লৈরৌ, ঙাকিজৌ অয়াইব-কা হায়বদুদি হৌজিক্তা তাঙবা-হোঙবগী ৱাফমদি লায়রদনা ফংবু ফংনখিদ্রে। ফংলবসু হীং ওল্লবনি। ঙাকিজৌ অয়াইবদু কিলো ফানা য়োনবসু উনখিদ্রে। ফীভমসিদবু তাইবঙমীনা হৌদোংদা ঙা পীজনীংবা হৌনরিব্রা? থৌদৌসিননি, মপোকসিমগী তুরেল কুম্লকত্রবা হৌদোংশিংনা পুখ্রিদা নৎত্রগা পাৎতা কুম্লক্তুনা তাঞ্জা য়েংদুনা মশানা চানবা ঙা মশানা ফানবা হোৎনরক্লিবসি। মুন্না খঞ্জিল্লুরগসু নুংঙাইতবা ফাওই। অশিংবা হৌদোংশিংসি মতম খরা লৈরগদি লৈকায়দা লোয়বা ষণ জর্সি ফাওবদা শঙ্গোম শুমদোক্লুস্ত্রা খঙদ্রি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা খ্বাইদগী পঙবা অমসুং ইকায় খঙদবা শাশিংগী মনুংদা হৌদোংসু অমনি লৌনরম্মী। তাইবঙ-মীনা ফুনাক্তা শঙ্গোম ইন্থুরম্বগী হৌজিক্তা চৈনা ময়াংলেনদা কল্লকপদা ঙাইরিবদু থোঙজিন মপান হেক য়ৌবগা তাইবঙমীনা মঙোন্দা য়াংলেন্দা চৈনা কল্লকখিবদুবু ঙরাংলা-ঙসিরা হায়রগা খুদক্তুদা অদুম্মক অমুক হন্না ফুনাক্তা লৈহৌবা শঙ্গোমদু তান্না চঙশিল্লি হায়নরিবনি। অদুক পঙবা হৌদোংদুনা হৌজিক্তা পুখ্রিদা কুমদুনা ঙা লুম্লকপা হায়বসিবু হৌদোং শিংগৎলক্তে হায়বা য়ারিব্রা? মণিপুর মচা ঐখোয় খরদগীদি মতমসিগী হৌদোং ওইরিবা মখোয়নবু হেন্না শোয়দনা শিংলম্লদৌবা মাল্লি। মতমসিগী হৌদোং ফাওবনা সি য়ৌনা শিংগৎলক্লবা মতমসিদা মণিপুরী ঐখোয়না করম-করম্বা হীরমশিংদা শিংগৎলক্লিবগে হায়বসি খন্ননীংঙাই ওই। লমদমসিগী মচানবু মালেমগী ওইবা চাওখৎ-খোঙথাংশিংদা শরুক য়াবা ঙল্লিব্রা? মণিপুর মচাগী হায়ববু মখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা নীংঙাই-শংদান্নবা, লম মুন্নবা, চাকথুং লাক্লবা সিখক্তনি। মথৌ মশক খঙদবা, শুনীংদবা, মীনা নুংঙাইখিবা উরগা কল্লকপনা মশা মতোমতা খাঙঙমদবা, চীং-তম খায়দোক্লদুনা মণিপুরবু পোলিটিকেল মেপ ওইনা য়েংবগী মহুত্তা, মতম লৈবা খিবিক্তা ফিজিকেল মেপ ওইনদা য়েংনবা হোৎনদুনা লৈবা সিনবু কদাইদগী ফরক্কদৌরিবনো? চীংসু মণিপুরনি, তমসু মণিপুরনি, চীং-তম অনীমকসি মমা অমত্তগী মচানি হায়বসি খনবা খক ঙম্নদে। চীংদা লৈবনা কনা, তমদা লৈবনা করি, করিগীনো হীরম খুদিংমক্তা চীংগা-তমগা অনীসি ৱাখল মান্নদবগী থৌদৌশিং ঙাক্তনা পীক থল্লিবসি?

ৱাফেরোমদা চৎখিদৌরে, মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয়সি তাইবঙ মীনা হৌদোংদা ঙা পীজনীংলক্তবদুগুমনোংমদি শোয়দনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লৈঙাকপশিংসিনা ঐখোয়বু চাকথুং অমত্তা থুংহন্নীংলক্তবা য়াই। মণিপুরদা মপানগী ষ্টেটশিংদগী থারক্লিবা সুপরফাইন চেঙসিনা করিগুম্বদা ঈকং থোকপদগীবু ওইরো নৎত্রগা ঈচাও থোকপদগীবু ওইরো, মখোয়গী চানীংঙাই ফাওবা কোন্নদ্রে হায়দুনা থারকখিদবা থোক্লবদি মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম ঐখোয়সি করি চাদুনা হিংগনি? ঐখোয়দগীদি মতমসিগী হৌদোংনা ফাওবা হেন্না শিংলক্কদৌরব্রা খঙদে। মীনা পীজনীংদ্রবসু মতমসিগী হৌদোংদি মরন্নাই চানবা চিঞ্জাক মশানা থিজনবগী ৱাখল্লোনশিং ফাওনখ্রে। মণিপুরী ঐখোয়সিবু পঞ্জাবতগী লাকপা পঞ্জাব রাইস, হরয়ানাদগী লাকপা হরয়ানা রাইস, মেদিয়ম, সুপরফাইন ময়ামসিনা করিগুম্বদা লাকখিদবা থোক্লবদি ঐখোয়না চাদৌরিসি করিনো, মসি ঐখোয় খন্নরব্রা? ইপা-ইপু হাক্তক্তগী হৌনা চাকনা চউম্বীরক্লবা মণিপুরী মচা ঐখোয়নি। মণিপুর মচাশিংনা চাক য়াওদনা হিংবা কৈদৌনুংদা খক ওইথোক্লোই। ঐখোয়সি য়াম্না ময়েক শেংনা হায়রবদা, চাক নত্তনা হিংবা ঙম্লরোইদবা তাইবঙ মীওইবা কাঙলূপ্তুনি। চাক চাদনা মণিপুরীশিংনা কৈদৌঙৈদা খক অতৈ পোৎলমশিং চাদুনা হিংনবা হোৎনবা হৈনরোই। ফিভমসিদা তাইবঙ মী ঐখোয়না য়োকপী-থাকপীরম্বা হৌদোং হায়বা খ্বাইদগী হেন্না পঙবা শা মখলসিনা ফাওবা তাইবঙ মীনা মখোয়বু পীজনীংলক্তবা মতমদা মরন্নাই হিংজনবা পাম্বৈ থিগনি হায়বগী ৱাখল্লোনশিং ফাওনখ্রে। তৌইগুম্বসুং লমদমসিদা পূন্না হিংমিন্নরিবা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংসু ওইরিবা ইচিল ইনাওশিং ঐখোয় খিবিক্লদি মতমসিগী হৌদোংনা ফাওবা ফাওনখ্রবা মশা মথন্তা মরোমদোম, মরন্নাই হিংবা ঙমজনবগী পাম্বৈশিং থিবগী ৱাখল্লোনসি খক ফাওনবা ঙমদ্রি। সিনি ঐখোয়গী অশোয়বা।

লমদমসিদা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ইপানাৎশিং-ইপুনাৎশিংসি থিমন্দে ঐখোয়। ইপানা লৈরম্বা লৌশিং, ইপুনা চল্লম্বা মতিং, নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ঐখোয়সু মখোয়গুম্না চেনবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংদি উচেকশিংগী মরোলসু খঙলম্মী। শা-ঙাশিংগী মওং-মতৌ য়েংলগসু মখোয়না তুংদা ওইরক্কদবা নৎত্রগা থোক্লক্কদবা কয়ামরুম অমা মাঙজৌননা হায়বা ঙল্লম্মী। লাইরিক লাইশুসু তমহৌদবা মখোয়না চেল্লম্বা নোলেজশিংদু হৌজিক্তা ঐখোয়না খক চেনবা ঙমদ্রি। শোঙলবা নারক-মোংশোংশিংদা তমথীবা শা নৎত্রগা লীনশিং লৈরে হায়বসি মখোয়না নোংথক্তা পাইরিবা উচেকশিংগী মরোলদগী ইরায় লায়না খঙবা ঙল্লম্মী। শা-উচেকশিংদগী মখোয়না লৌশিং কয়ামরুম তানশিল্লম্মী। য়ূমদগী মপান থোক্তবা হৌদোংশিংনা পুখ্রি-খোংবানগী অকোয়বদা ঙা লুম্বা থোক্লক্লবদি করি ওইরক্কদৌরিবনো নৎত্রগা করি অহোংবশিং লাক্কদৌরিবনো হায়বসিসু মখোয়দি শোয়দনা খঙবা ঙল্লমগনি। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু ঙসিগী হৌদোংগী পাড়াসিদগী ঐখোয়সু মীপাল তাংদনা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবগী মথৌ অমদি শোয়দনমক্কী তাই। ৱাফমসি ঐখোয় খঙজিনবা চুমগনি। ●

# লাই হরাওবদা পেনাগী শৈশকশিং – (১)

**- চীঙ্গাংবম বিশানতা মৈতৈ -**

পেনা হায়বসি লৈশেম–নোংশেমঙৈগী মতমদগী হৌদুনা খুন্নাই অসিগা লোয়নদুনা লাক্লবা খোংনবা খূৎলায় অমনি। খুন্নাই অসিগী মীয়াম্না খূৎলায় অসিবু লাইগা পাংখক ওইনা লৌজদুনা পেনা চৈজিংনা কোরৌ ইপানি অমসুং পেনা মরুনা মালেম ইমাগী মশক ওইনা য়াম্না চেৎনা চান্না লৌনরি। পেনা চৈজিং অমদি মরু অনীদা পাল্লিবা শামৈশিং তক্নরগা থোক্লকপা নুংশিরবা মখোলনা তাইবঙ পানবগী থৱায় পূম্নমক শুম্দৎপা ঙম্মী। চৈজিংদা পাল্লিবা শরিকশিংনসু নুংশিরবা মখোল পুথোকই। অসিগুল্লবা লাইগা পাংখক ওইরবা খূৎলায় অসিবু খোংদুনা নুংশিরবা ঈশৈ কয়া শক্তুনা চিংঙু খোইয়ুম লাইয়ামশিং অমদি তাইবঙ পূম্বগী থৌগল তৌরিবা মীওই অদুবু পেনা অশৈবা হায়না খঙনৈ।

পেনানা মণিপুরগী নাৎ, চৎনবী কয়া ঙাক্তুনা থম্বগা লোয়ননা মণিপুরবু মালেম শীনবা থুংনা মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মৈতৈশিংনা খুন্দাবা লৈকায় খূদিংদা লাৎনরিবা উমংলাইশিংগী খ্বাইদগী চাউবা লাইথৌ অমা ওইরিবা লাই হরাওবগী লাইথৌশিংদা পেনা অশৈবশিংনা অসুক্কি মতিক চাউরবা থৌদাং কয়া লৌরি। পেনা অশৈবা য়াওদনা মপূং ফাবা লাই হরাওবা অমা ওইহনবা ঙল্লোই। পেনা অশৈবখক্তনা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোকপা লাইবুং ফাওবা লৈরিবনি।

লাই হরাওবগী থৌরম অমদা ইকৌবা নুমিত্তগী হৌরগা নোংমগী ওইবা থৌরম পরেংশিং লাইরোইগী ওইবা লাইথৌশিং অমদি লাই হরাওবা লোইখ্রবা মতুংদা পাঙথোকপা কৈনীং কুম্বগী থৌরমশিংদা পেনা অশৈবগী চাওরবা কায়ফদ্রবা থৌদাং কয়া লৈরি। হায়রিবা লাই হরাওবগী থৌরমশিং অসিদা পেনা অশৈবনা তোঙান– তোঙানবা শৈশক কয়া শক্তুনা লাইথৌ কয়া পাঙলি। পেনা অশৈবা অমনা লাই হরাওবা অমদা শক্লিবা শৈশকশিং মখাদা থমজরি।

১) হায়শক ঙাঙশক – ঈশৈ শৈশক অসি পেনা অশৈবশিংনা শকপদা য়াম্না অরায়বা মখলগী শৈশক অমনি। পেনা অশৈবা খূদিংমক্না শক্তবা ইয়ামক য়াদ্রবা শৈশক্লি। লাই হরাওবগী থৌরমশিংদা শৈশক অসি পেনাগী শৈহৌ, ফম্মাং থৌগল, লাই য়াকৈবা, থৱায়মি কোনবা, লাই নাউশুম্বনচিংবদা শৈশক অসিগী মপূং ফাবা মশক উবা ফংই।

ঈশৈ – উম....

হৈ... হয়া... হৌ...

নহালনোং ৱাকমনা মালেম লৈশেম লৈরোইশৈ

য়াৱা হেন্না কাউদশৈ

খুংগী য়াৱা ইখোনজেলবু নিনদশৈ...

২) শিকপলোন – শৈশক অসি য়াম্না চম্বা অমদি য়াম্না মরু ওইবা শৈশক অমনি। শৈশক অসি অৱাবা ফোঙদোকপা অমসুং তেংথাবদা মরু ওইনা শিজিন্নৈ। নুংশিবা, কৎথোকপা, নোনজবা, চঙজবা হায়রিবা পুক্লিংগী ইহুলশিং অসি ফোঙদোকপদসু শৈশক অসি শকই। শৈশক অসি শকপা মতমদা মখল অনী থোক্লা শকপা য়াই। য়াম্না ইংনা তপ্না পেনা চৈজিংগী শরিক মখোল থোকহন্দনা অমসুং খোঙলৈ খরা থুগৎলগা শরিক্কি ইহুলগা লোয়ননা শকপসু য়াই। শৈশক অসি লাইগী ফম্মা থৌগল, য়াকৈবা, থৱায়মী কোনবা, নাউশুমম্বনচিংবদা শক্লে।

ঈশৈ – হা পলেম

পলেম পন্থৌ অনীনা

হারওগী শকশেম তম

থৌদৌগী কুম্মে শান্নরকপা

ঙসিগা থানা নুমিৎ শিংবুম হুম্নি শুরে...

৩) লৈমরেল শৈশক– শৈশক মখল অসি য়াম্না চীংলেম্বা শৈশক অমনি। শৈশক অসি লাইদা থৌনিরোল শকপদা শিজিন্নৈ। লাইদা করিগুম্বা অমনা হায়জবা, নোঞ্জবা মতমদা শকই। লাই হরাওবদা শৈশক অসি অয়ুক্কি থৌরম লোইশিল্লকপদা মাইবী লাইমাঙ ফম্বা লোইরবা জগোয় কৎপদা শকই। নুংথিলগী থৌরম পরেং হৌরকপদা পেনা অশৈবা অমদি অমাইবীশিংগা লোয়ননা খুঞ্জা মীয়াম্না লাইদা জগোয় কৎপদসু শৈশক অসি শকই।

ঈশৈ– চীংঙু লাই ও লাইনিংথৌ

খোইয়ুম লাই ও লাইরেম্বী

চীংঙুবা নঙগী নশুমাং

খোইয়ু নঙগী নথৌপুং

নশু ঐখোয় ময়াম্না

জগোয়গী খুৎথেক কৎচবা

হো লৌবিয়ু, হো লৌবিয়ু, লৌবিয়ু দে...

৪) কালেন শৈশক – শৈশক মখল অসি য়াম্না ইংনা চিক্লা, শাংনা চিং–চিংদুনা শকপা শৈশক মখল অমনি। মীওইবগী পুক্লিং ৱাখলবু ইংহনবা ঙম্বা শৈশক্লি। লাই হরাওবগী থৌরমশিংদা হোইরৌ হয়া লাউবা, অনোয়রোলগী হৌরকপা শরুক্তা শৈশক অসি ময়েক শেংনা তাবা ফংই। শৈশক অসি খুল্লং ঈশৈ শৈশক হায়নসু খঙনৈ।

ঈশৈ – আ... হোইরৌ না আ আ

হোইরৌ হোইরৌ না আ আ

হোইরৌ হোইরৌয়ে নাগে

লাইনিংথৌ ও হোইরৌনে

শে নে।

আ... হয়া না আ আ

হয়া হয়া না আ আ

হয়া হয়াহে নাগেদা

য়োইবুবিগী হয়ানে

শে নে শুম।

৫) হেপ্লি থাংয়ৈ – শৈশক অসি অকল অথৌগী মওং ফোঙদোকপা শৈশক্লি। পুক্লিংদা থৌনা হাপ্লা অমসুং মতিক–মথৌনা ফোঙদোকপদা শৈশক অসি শীজিন্নৈ। ●